# কিম জোং অনগী থবক্তা মতেং পাংনবা নোর্থ কোরিয়াদা ফার্ষ্ট সেক্রেটরি অমা নৌনা হাপখ্রে



সিওল, জুন ০১ (এজেন্সী) :
নোর্থ কোরিয়াগী রুল্লিং পার্টিনা লৈবাক অদুদা কিম জোং অনগী মহুৎ শিল্লগা থবক তৌনবা ফার্ষ্ট সেক্রেটরি অমা অহানবা ওইনা হাপখ্রে হায়না থাজবা য়াবা পাউগী লীখুনশিংনা ফোঙদোরক্লি।

সাউথ কোরিয়াগী য়োনহপ ন্যুজ এজেন্সিনা হীরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোরকখিবদা নৌনা ফার্ষ্ট সেক্রেটরি ওইনা খনখ্রবা মীওই অসিনা কিম জোং অনগী মহুত্তা লৈবাক অদুদা পাঙথোকপা মরু ওইবা থবক থৌরমশিংদা শরুক য়াগনি।

নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিমগী মখাদা নৌনা খনখ্রবা সেক্রেটরি অসিনা থবক তৌগনি। সেক্রেটরি অসিগী রিপোর্ট খুদিংমক কিমদা হকথেংননা লানখৎকনি। লৈবাক অদুদা লৈরিবা ৱার্কর্স পার্টি ওফ কোরিয়াগী কোংগ্রেস মেনশিংদা কিমনা হৌখিবা জনুৱারী থাদা শক্তি খরা শীন্নখিবগা লোয়ননা পার্টিঅদুগী জেনরেল সেক্রেটরি ওইনা মহাকপু খল্লকখিবনি।

নোর্থ কোরিয়াদা লৈরিবা লৈঙাক অসিদা মহাক্কী পার্টিনা অচৌবা থৌদাং লৌহন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মহাক্কী মখাদা দাইরেক্ত ওইনা থবক তৌনবা ফার্ষ্ট সেক্রেটরি খনবদা অয়াবা পীখিবনি। নোর্থ কোরিয়াদা ফার্ষ্ট সেক্রেটরিগী পোষ্ট অসি য়াম্না মরু ওই অমদি মপাঙ্গল য়াম্না কনবা অমা ওইরি। হৌজিক হৌজিক নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা ওইরিবা কিমসু হৌখিবা কুম্মজা ২০১২ দগী হৌরগা ২০১৬ ফাওবা ফার্ষ্ট সেক্রেটরিগী থৌ পুরমখিবা মীওই অমনি।

কোংগ্রেস মেনশিংনা ফার্ষ্ট সেক্রেটরি ওইনা খনখ্রবা জো য়োংৱোন লৈবাক অদুদা লৈরিবা পার্টিগী সেক্রেটরি ৭ কী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না সেনিয়রনি মহাক কিমগা য়াম্না নক্লবা মীওই অমসু ওইরি। কিম অমসুং ৱার্কর্স পার্টি ওফ কোরিয়াগী চেয়রমেন চো য়োং হিগা হৌখিবা জনুৱারী থাদা উন্নরবা মতুং জোবু ফার্ষ্ট সেক্রেটরি ওইহন্নবগীদমক খন্নখিবনি।

পনবা য়াবদি মমাং চহীদা নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং অনগী মচননুপী কিম য়ো জোংনা ফার্ষ্ট সেক্রেটরি থৌ পুরম্বনি। অদুমওইনমক কিমগী মচননুপী মাং চহীগী লোইশিল্লকপদা ফম অসি থাদোকখিবনি। কিম য়ো জোংনা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অদুগী পার্টিগী অমদি মবুংগী য়েংলগা মহাক্না ফম অদু থাদোকখিবনি। ফম অদু থাদোকপা মতমদা মঙোন্দা নুংঙাইতবা অমত্তা লৈতে। নৌনা খনখ্রবা সেক্রেটরি অসিনা লৈবাক অদুগী চাওখৎনবগীদমক থবক তৌরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়খি।

# কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা মালেসিয়া শিনবা থুংনা লোকদাউন থমখ্রে

ক্বালা লম্পুর, জুন ০১ (এজেন্সী) :
সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী শরুক্তা কোভিদ-১৯ গী অকনবা চৈথেং পীরকখিবগা লোয়ননা লায়না লাইচৎ অসিবু মপুং ফানা মায়োক য়াবা ঙম্নবা হোৎনরিঙৈ মরক অসিদা মালেসিয়ানা লৈবাক অদুদা লোকদাউন মপুং ফানা থমজিনখ্রে হায়রি।



কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী অহানবা ৱেভতা সাউথ ইষ্ট এসিয়াদা লৈরিবা লৈবাক অয়াম্বনা য়াম্না কন্না চৈথেং ফংবা ওইখিদে। অদুমওইনমক অনীশুবা কোভিদ-১৯ গী ৱেভ অসিদি লৈবাক অয়াম্বদা অচৌবা চৈথেং পীরক্লি। সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী মনুং চন্না লৈরিবা লৈবাকশিংগী মনুংদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীবা লৈবাকশিংগী মনুংদা মালেসিয়াসু অমা ওইরি।

থাইলেন্দ অমসুং ভিয়েটনামদসু কোভিদ-১৯ গী অনীশুবা ৱেভনা চৈথেং পীবা হৌরক্লি। হায়রিবা লৈবাকশিং অসিদা কোভিদ ভেক্সিনেসনগী থবকসু য়াম্না তপ্না চথরি। মসিনা মরম ওইরগা লায়না অসি শন্দোরকপগী চাং হান্নদগী হেনগৎলকপা য়াবগী অকিবা লৈরি। কোভিদ-১৯ গী অনীশুবা ৱেভ হৌগৎলকপদগী হৌজিক ফাওবদা মালেসিয়াদা চাওরাক্লা মীওই ২,৮০০ রোম শিহনখ্রে। হায়রিবা মশীং অসিগী চাদা ৪০ দি মে থা খক্তদা শিহনখিবনি।

হৌখিবা চয়োল অসি খক্তদা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ গী কেস মশীং ৫,৭০,০০০ থেংনখি। মসিনা মরম ওইরগা তঙাইফদনা মালেসিয়া পুম্বদা লোকদাউন থমজিনখিবনি হায়না গভর্ণমেন্টকী ৱাঙাঙলোয় অমনা ফোঙদোরক্লি।

মালেসিয়াদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ কা হেন্না শন্দোরকখিবা অসি মমাং থাদা পাঙথোকখিবা মুস্লিম লাইনিং চৎপশিংনা খ্বাইদগী শেংবা থা রামদানগী মতমদা ওইরম্বা য়াই হায়না চিংনরি। রামদান থাগী অরোইবা মতমদা পাঙথোকপা ইদ-অল-ফিটর কুম্মৈদা মীয়াম্না কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কা মরী লৈননা শেমখিবা চৎনা কাঙলোনশিং ঙাক্না মীয়াম্না চৎনখিদে।

লৈঙাক্কী মায়কৈদগী কোভদ-১৯ গী প্রোটোকোলশিং ঙাক্না চৎনবা মফম মফমশিংদা লাউদ স্পিকর শীজিন্নদুনা লাউথোকখি। অদুবু মদুসু মীয়াম্না থওইনা তাদে। মসি লৈবাক অদুগী ওইনদি য়াম্না লাইবকথিবনি হায়রি। ৱাঙাঙলোয় অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা গভর্ণমেন্টনা মালেসিয়া পুম্বদা লোকদাউন লাউথোকখ্রবসু মহিক অসি নুংশিত্তা পাইদুনা লৈবা ঙম্বা ওইবনা মরম ওইরগা ভেক্সিনেসনগী থবক য়াম্না থুজিনবা মথৌ তাই।

লৈঙাক্সু মীয়ামদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন অথুবা মতমদা কাপথোক্কদবনি হায়না মশাগী চহী ৪২ রোম শুরবী লিলিয়ন কৌবী নুপী অমনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা লোকদাউন থমজিনখিবনা মরম ওইরগা কৈথেল ফম্বা মীওইশিংদা চাওনা খুদোংচাদবা মায়োক্লহল্লে হায়রি।

### ঈশিং ঈচাওগী ফীভম য়েংশিনখ্রে

ন্যু জিলেন্দ, জুন ০১ (এজেন্সী) :
ন্যু জিলেন্দদা নুমিৎ হুমনি লেপ্পা লৈতনা অকনবা নোং চুখিবনা মরম ওইদুনা থোকহনখিবা ঈশিং ঈচাওগী ফীভম লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর জসিন্দা এদর্ননা হকথেংননা য়েংশিনখ্রে। লৈবাক অদুগী খা থংবা শরুক্তা থোকখিবা ঈচাও অমনা মরম ওইরগা তুরেল মথক্তা শাবা থোংশিং তেকহনখ্রে, লেন্দ স্লাইদ থোক্তুনা হায়ৱে কয়া থিংজিনখ্রে অমদি মফম কয়াদা ইলেক্ট্রিক্কী খুদোংচাবা ফংহনখিদ্রে। ঈশিং ঈচাওনা শোকহল্লবা মফমশিংদা লৈরিবা মীওইশিংগী মরক্তা হৌজিকসু পাউ ফাওনবা ঙমদবা য়াওরি। মখোয়শিং অদুবু তেক্তা কায়দবা মফমশিংদা পুথোক্লবগীদমক রেস্ক্যু ৱার্করশিং থাজিনখ্রে হায়না পি এম জসিন্দানা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ঈচাওনা শোকহল্লবা মীওইশিংদা পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়রি।

### নুমিৎ ২০ নিগী মনুংদা অফঘান ফোর্সতা খূৎশিন্নরগনি



কাবুল, জুন ০১ (এজেন্সী) :
অফগানদা য়ু এস মিলিটরিনা মতম শাংনা শীজিন্নদুনা লাকখিবা বগ্রাম এয়র বেজ অমুক হন্না অফঘান ফোর্সশিংদা নুমিৎ ২০ নিগী মনুংদা খূৎশিন্নরগনি হায়না ওফিসলশিংদা ফোঙদোরকখি।

ৱাশিংটননা অফগানিষ্টানদা দিপ্লোয় তৌরিবা মখোয়গী ক্রুপশিং লৈবাক অদুদগী মপুং ফানা লৌথোক্ল বা ফিরেপ লৌখিবগা লোয়ননা অতেনবা মতমগী মনুংদা এয়র বেজশিং অফঘান ফোর্সতা খূৎশিন্নবা ফিরেপ লৌরকখিবনি। হীরম অসিগা মরী লৈননা বগ্রাম এয়র বেজতা লৈবা য়ু এস দিফেন্সকী ওফিসল অমনা ফোঙদোরকখিবদা হৌখিবা কুমজা ১৯৮০ দা সোভিয়েটশিংনা শারম্বা মিলিটরি ফেসিলিটিশিং অসি য়ু এস অমসুং নোর্থ অটলান্টিক ত্রিটি ওর্গনাইজেসন (নেটো) না শীজিন্নদুনা লাকখিবনি।

অফঘানদা য়ু এস ফোর্সশিংনা টালিবান লান্মীগী মথক্তা চথখিবা ওপরেসনশিংদা শীজিন্নবগীদমক হায়রিবা এয়র বেজ অসিদা য়ু এস ফোর্স ১০,০০০ গী মথক্তা দিপ্লোয় তৌদুতা থল্লমখিবনি। অদুবু লৈবাক অদুদা ঈং তপ্পা পুরক্লবা হোৎনবদা পায়খৎলকপা খোঙথাংশিংগী শরুক অমা ওইনা নেটো অমদি য়ু এসনা মখোয়গী ক্রুপশিং অফঘানদগী মপুং ফানা লৌথোক্লবা ফিরেপ লৌখিবনি। পনবা য়াবদি অফগানদা দিপ্লোয় তৌদুনা লৈরিবা ফোরেন ক্রুপশিং লৌথোকপা হৌখ্রবা মতুং হৌখিবা থা অমরোম অসিদা টালিবান ফাইটরশিংনা অফগান গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংগী মথক্তা এটেক চথবগী চাং হেনগৎলক্লি।

# গালৱান ক্লাসতা শোকখিবশিংগী মতাংদা ইরুবা ব্লোগর অমা থা ৮ জেলগী ফাদোক পীখ্রে: রিপোর্ট

বৈজিং, জুন ০১ (এজেন্সী) :
মমাং চহীগী মে ৫ দগী হৌরগা চহী অসিগী মার্চ থা ফাওবা চাইনা অমসুং ইন্দিয়াগী ঙমখৈগা মরী লৈননা গালৱান ভেল্লিদা থোকখিবা খূৎ থোক্লবগী থৌদোকশিংদা অশোক অপন নংখিবা মিলিটরিগী মতাংদা ইরুবা চাইনাগী মমিং লৈরবা ব্লোগর অমা ওথোরিটিনা থা ৮ গী জেলগী ফাদোক পীখ্রে হায়রি।



মমিং লৈরবা ব্লোগর অসি চহী অসি হৌগৎলকপদা চাইনিজ ওথোরিটিনা দিটেন তৌদুনা থল্লকখিবনি। মমিং লৈরবা ব্লোগর কি জিমিং মিল্লিয়ন ২.৫ ফোলোৱর হেন্না লৈরিবা অমনি। ঙমখৈগী শরুক্তা থোকখিবা থৌনা ফৰগী থবকশিং অদুবু লান্না পাউদল্লুবগীদমক মহাকপু চাইনিজ ওথোরিটিনা ফাজিনখ্রবা মতুং নিংথৌকাবা নুমিত্তা থা ৮ গী ওইবা জেলগী ফাদোক পীখিবনি।

কিনা মহাক্কী ব্লোগতা ইন্দিয়ন আর্মী অমসুং চাইনিজ আর্মীগী মরক্তা খূৎ থোক্লবদা অশোক অপন নংখিবা চাইনিজ আর্মী পর্সনেলশিংগী মতাংদা লান্না পাউদল্লুরবা মতুং নুমিৎ ১০ নি রোম লৈরগা লাল্লে হায়না সোসল মীদিয়াগী খূৎথাংদা অমুক হন্না ফোঙদোকখিবসু লৈখ্রে।

মশাগী চহী ৩৮ শুরবা ব্লোগর অসিনা গালৱানদা থোকখিবা থৌদোক অদুদা চাইনিজ লান্মী ৪ শিরগা অমনা কা হেন্না শোকহনখি অদুবু লান্মীশিং অদু লুচিংখিবা কম্মান্দর অদুদি অশোক অপন নংখিদে। পোষ্ট অপিকপা লান্মীশিংবু কম্মান্দর অদুনা অরানবা মওংদা শীজিন্নখিবদগী লাইবকথিবা থৌদোক অদু থোকখিবনি। মিলিটরি ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লিবা অশোক অপন অমদি শিবগী মশীং অদুদগী হেন্না শিরম্বসু য়াই হায়না মহাক্না ফোঙদোকখিবনি। মদুগী মতুং চাইনিজ ওথোরিটিনা মহাকপু ফাজিন্দুনা থমখিবগা লোয়ননা থৌনা ফৰশিংগী মায়োক্তা লান্না পাউ শন্দোকই হায়বগীদমক মহাকপু ঙরাং ফাদোক পীখিবনি।

### সিনোভাক কোভিদ ভেক্সিন শীজিন্নবদা অয়াবা পীখ্রে

জেনেভা, জুন ০১ (এজেন্সী) :
ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন্না ঙসি চাইনানা পুথোকপা সিনোভাক কোভিদ-১৯ ভেক্সিন ইমর্জেন্সিগী ওইবা থবক থৌরমশিংদা শীজিন্নবা য়াবগী অয়াবা পীখ্রে।

হৌখিবা থাদা চাইনাগী সিনোফার্ম কোভিদ ভেক্সিন্না অহানবা ওইনা দব্লিউ ঐচ ওনা শীজিন্নবদা অয়াবা পীখ্রবা মতুং ঙসি সিনোভাকসু শীজিন্নবদা অয়াবা পীখিবনি। দব্লিউ ঐচ ওনা সিনোভাক-কোরোনা ভাক কোভিদ-১৯ ভেক্সিন ইমর্জেন্সিগী ওইবা থবক থৌরমদা শীজিন্নবদা অয়াবা পীখিবা অদুনা মরম ওইরগা চাইনাদা কোভিদ-১৯ মায়োক য়াবদা অচৌবা মতেং ওইরগনি হায়রি।

দব্লিউ ঐচ ওনা ইমর্জেন্সি ওইনা শীজিন্নবদা অয়াবা পীখ্রবা ভেক্সিনশিং অদুদি ফাইজর/বাইওএনটেক, মোদরনা, জোন্সন এন্দ জোন্সন অমসুং এষ্ট্রাজেনেকানা পুথোক্লিবশিং অসিনি।

## মালেমদা কোভিদনা শোকহল্লবা লৈবাকশিং

| # | Country, Other | Total Cases | New Cases | Total Deaths | New Deaths | Total Recovered | Active Cases |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | World | 171,525,785 | +69,168 | 3,566,498 | +1,726 | 154,030,277 | 13,929,010 |
| 1 | USA | 34,113,146 | | 609,767 | | 27,863,840 | 5,639,539 |
| 2 | India | 28,175,044 | +1,389 | 331,909 | | 25,947,629 | 1,895,506 |
| 3 | Brazil | 16,547,674 | | 462,966 | | 14,964,631 | 1,120,077 |
| 4 | France | 5,667,324 | | 109,528 | | 5,333,597 | 224,199 |
| 5 | Turkey | 5,249,404 | | 47,527 | | 5,114,624 | 87,253 |
| 6 | Russia | 5,081,417 | +9,500 | 121,873 | +372 | 4,693,579 | 265,965 |
| 7 | UK | 4,487,339 | | 127,782 | | 4,289,486 | 70,071 |
| 8 | Italy | 4,217,821 | | 126,128 | | 3,858,019 | 233,674 |
| 9 | Argentina | 3,781,784 | | 78,093 | | 3,350,602 | 353,089 |
| 10 | Germany | 3,689,918 | | 89,148 | | 3,498,400 | 102,370 |
| 11 | Spain | 3,678,390 | | 79,953 | | 3,448,575 | 149,862 |
| 12 | Colombia | 3,406,456 | | 88,774 | | 3,169,573 | 148,109 |
| 13 | Iran | 2,923,823 | +10,687 | 80,327 | +171 | 2,477,596 | 365,900 |
| 14 | Poland | 2,872,868 | +588 | 73,856 | +111 | 2,640,672 | 158,340 |
| 15 | Mexico | 2,413,742 | +932 | 223,568 | +61 | 1,928,467 | 261,707 |
| 16 | Ukraine | 2,204,631 | +2,137 | 50,699 | +163 | 2,053,167 | 100,765 |
| 17 | Peru | 1,955,469 | | 69,342 | | 1,720,665 | 165,462 |
| 18 | Indonesia | 1,826,527 | +4,824 | 50,723 | +145 | 1,674,479 | 101,325 |
| 19 | South Africa | 1,665,617 | | 56,506 | | 1,559,337 | 49,774 |
| 20 | Czechia | 1,661,780 | +514 | 30,119 | +3 | 1,621,262 | 10,399 |
| 21 | Netherlands | 1,649,460 | | 17,623 | | 1,489,992 | 141,845 |
| 22 | Chile | 1,384,346 | | 29,300 | | 1,309,040 | 46,006 |
| 23 | Canada | 1,381,582 | | 25,547 | | 1,322,278 | 33,757 |
| 24 | Philippines | 1,235,467 | +5,177 | 21,012 | +46 | 1,161,252 | 53,203 |
| 25 | Iraq | 1,201,352 | | 16,375 | | 1,116,456 | 68,521 |
| 26 | Romania | 1,077,978 | +241 | 30,353 | +41 | 1,040,527 | 7,098 |
| 27 | Sweden | 1,068,473 | | 14,413 | | 970,963 | 83,097 |
| 28 | Belgium | 1,062,001 | +801 | 24,955 | +15 | 965,289 | 71,757 |
| 29 | Pakistan | 922,824 | +1,771 | 20,850 | +71 | 844,638 | 57,336 |
| 30 | Portugal | 849,093 | | 17,025 | | 809,135 | 22,933 |
| 31 | Israel | 839,483 | +8 | 6,412 | | 832,731 | 340 |
| 32 | Hungary | 804,712 | +174 | 29,761 | +28 | 703,352 | 71,599 |
| 33 | Bangladesh | 800,540 | | 12,619 | | 740,372 | 47,549 |
| 34 | Japan | 746,713 | +1,793 | 13,048 | +81 | 680,621 | 53,044 |
| 35 | Jordan | 736,534 | | 9,462 | | 715,796 | 11,276 |
| 36 | Serbia | 712,472 | | 6,865 | | 696,643 | 8,964 |
| 37 | Switzerland | 694,740 | | 10,810 | | 649,199 | 34,731 |
| 38 | Austria | 644,815 | | 10,603 | | 628,856 | 5,356 |
| 39 | Malaysia | 579,462 | +7,105 | 2,867 | +71 | 496,121 | 80,474 |
| 40 | UAE | 572,804 | +1,968 | 1,684 | +4 | 552,479 | 18,641 |
| 41 | Nepal | 566,587 | +5,285 | 7,454 | +68 | 454,344 | 104,789 |
| 42 | Lebanon | 540,388 | | 7,729 | | 519,779 | 12,880 |
| 43 | Morocco | 519,216 | | 9,147 | | 507,125 | 2,944 |
| 44 | Saudi Arabia | 450,436 | | 7,362 | | 433,413 | 9,661 |
| 45 | Ecuador | 426,037 | | 20,572 | | 375,151 | 30,314 |
| 46 | Bulgaria | 418,577 | | 17,700 | | 382,183 | 18,694 |
| 47 | Greece | 402,306 | | 12,095 | | 371,504 | 18,707 |
| 48 | Belarus | 394,439 | | 2,851 | | 385,382 | 6,206 |
| 49 | Slovakia | 389,866 | +145 | 12,353 | +10 | 375,549 | 1,964 |
| 50 | Kazakhstan | 387,672 | +1,123 | 3,974 | +19 | 357,826 | 25,872 |
| 51 | Panama | 378,097 | | 6,371 | | 365,399 | 6,327 |
| 52 | Bolivia | 371,279 | +2,805 | 14,524 | +53 | 295,273 | 61,482 |
| 53 | Croatia | 356,181 | | 8,026 | | 346,220 | 1,935 |
| 54 | Paraguay | 355,384 | | 9,186 | | 292,715 | 53,483 |
| 55 | Tunisia | 345,474 | | 12,654 | | 303,467 | 29,353 |
| 56 | Georgia | 345,196 | +1,233 | 4,804 | +31 | 328,620 | 11,772 |
| 57 | Azerbaijan | 333,956 | | 4,913 | | 324,565 | 4,478 |
| 58 | Costa Rica | 318,986 | | 4,041 | | 243,495 | 71,450 |
| 59 | Kuwait | 309,222 | | 1,772 | | 293,899 | 13,551 |
| 60 | Palestine | 308,732 | +382 | 3,503 | +6 | 300,919 | 4,310 |

# উগান্দগী মিনিষ্টরদা চথরকখিবা এটেক্তা মচানুপী শিখ্রে

কম্পলা, জুন ০১ (এজেন্সী) :
উগান্দগী হান্নগী আর্মী কম্মান্দরসু ওইরম্বা ৱার্ক্স এন্দ ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্টর জেনরেল কতুম্বা ৱাম্বালাদা খূৎলাই পায়বশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা মহাক্কী দ্রাইভর অমদি মচানুপী শিখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ওফিসলশিংনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না খূৎলাই পায়বা মীওইশিং অদুনা কতুম্বাবু হাৎনবা হোৎনবা মানবা মওংদা এটেক অদু চথখিবনি। অদুবু লাইবকথিবদি মহাক্কী দ্রাইভর অমদি মচানুপী শিখিবনি। মহাক মশাসু শোকপদগী হোস্পিটালদা পুখত্তুনা ট্রিটমেন্টগী থবক চথরি।

ইষ্ট অফ্রিকান কন্ত্রিশিংদা হায় প্রোফাইল ওফিসলশিংবু য়াম্না তোয়না হাৎনবা হোৎনবগী থৌদোকশিং থোক্লি। ঙসিগী থৌদোক অদুসু হান্নগী আর্মী কম্মান্দর অসিদা অতম্ননা টার্গেট তৌরগা চথরকখিবা এটেকনি। কতুম্বনা মহাক্কী এনভোয়শিং লোয়নরগা চৎলিঙৈদা খঙহৌদনা মোটোর বাইকতা লাকখিবা অফবা মখলগী খূৎলাইশিং পায়বা মীওই ৪ না মহাক্না তোংলক্লিবা গাড়ী অদু তম্না নোংমৈ রাউন্দ কয়া কাপশিনখি। মদুদা মহাক্কী মচানুপীদা মরু ৬ পানখি। অদুগা দ্রাইভরদনা ৪ পানখি। থৌদোক অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা থিগৎপগী থবক চথবা হৌখ্রে। পনবা য়াবদি হৌখিবা কুমজা ২০১৭ তসু মোটোর সাইকল তোংদুনা লাকখিবা খূৎলাই পায়বা মীওইশিংনা সেনিয়র পুলিস ওফিসর ফেলিক্সকা লোয়ননা মহাক্কী বোদি গার্দ অমসুং দ্রাইভর কাপ্পুনা হাৎখিবনি।

# চহী ২০ ৱান্টেদ লাউথোক্তুনা লাকখ্রবা টাইগর হাবিব পুলিসনা ফারে

ধাকা, জুন ০১ (এজেন্সী) :
বংলাদেশ পুলিসনা চহী ২০ ৱান্টেদ লাউথোক্তুনা লাকখ্রবা মীয়াম্না টাইগর হাবিব হায়রগা খঙনরিবা শাদানবা হাবিব তাকুলদর বংলাদেশ পুলিসনা ঙসি ফাবা ঙমখিবগা লোয়ননা জেলদা থাজিনখ্রে হায়রি।

বংলাদেশ পুলিসনা ফারবা টাইগর হাবিবনা লৈবাক অদুদগী মুৎখিবা য়াবগী অকিবা লৈরবা বেঙ্গল টাইগর ৭০ রোম হাৎখ্রে। ঙল্লিঙৈ মতমদা পুলিসনা মহাকপু ফারবা মতুং লোনা য়াদবা মওংদা লম্লক্কী শাশিং হাত্তনবা অকনবা ৱার্নিং পীরগা থাদোকখিবনি। মদুগী মতুং হাবিব থিবা ফংদনা লাকখিবনি। মহাক মশা কদাইদা লৈরিবগে হায়বা খঙদ্রবসু মহাক্না লোনা য়াদবা মওংদা লম্লক্কী শাশিং হাৎপগী পাউ কয়া ফংখি অমদি ফোটোশিং সোসল মীদিয়াদা থারকপা থেংনখি হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা লোকেল পুলিস চীফ সাইদু রহমননা ফোঙদোকখিবদা হাবিবনা মরু ওইনা সুন্দরবন মেংগ্রুভ ফোরেষ্টকী শরুকশিংদা শা কাপ্পুনা হাৎপগী থবকশিং চথদুনা লাকখিবনি। মহাকপু ফানবা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট অমদি পুলিসনা অকনবা মওংদা হোৎনরবসু উমংগী শরুক্তা লৈখিবনা মরম ওইরগা মায় পাকপা ঙমদনা লাকখিবনি।

অমরোমদা হবিব য়াম্না শাথিবা মীওই অমনি। উমং মনুংদা মহাক মতোমতনা খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা কৈগা মায়োক য়াবা ঙম্বগী থৌনা লৈ হায়রি।

# গ্লোবল ৱার্মিংনা মরম ওইরগা হৌখিবা চহী ২০ দা আইসলেন্দ গ্লেসিয়রগী শরুক স্কৱার কিলোমিটর ৭৫০ হেন্না মাঙখি

রেক্যাবিক, জুন ০১ (এজেন্সী) :
মালেমদা অঙৈং অশাগী খল কাইথরকপা অমদি শাবগী চাং চহী চহীগী হেনগৎলকপনা মরম ওইরগা আইসলেন্দদা লৈবা গ্লেসিয়র স্কৱার কিলোমিটর ৭৫০ হেন্না মাঙহনখ্রে হায়না রিসার্চরসশিংনা ফোঙদোরক্লি।



লৈবাক অসিদা লৈরিবা অকংবা শরুকশিংগী চাদা ১০ দি গ্লেসিয়রসশিংনা মফম কন্দুনা লৈরিবনি। হৌখিবা কুমজা ২০১৯ দা আইসলেন্দদা লৈরিবা গ্লেসিয়রসগী শরুক অসি স্কৱার কিলোমিটর ১০,৪০০ হন্থখি হায়না আইসলেন্দগী সাইন্টিফিক জর্নেল জোকুলগী ষ্টদি অমনা ফোঙদোরক্লি।

হৌখিবা কুমজা ১৮৯০ দগী হৌরগা আইসলেন্দদা লৈবা গ্লেসিয়ারগী শরুকশিংগী চাদা ১৮ হায়বদি স্কৱার কিলোমিটর ২,২০০ রোম মাঙহনখ্রে। হায়রিবা শরুক অসিগী অহুম থোকপগী অমদি কুমজা ২০০০ ফাওবদা থোকখিবনি হায়না গ্লেসিয়োলোজিস, জিওলোজিস অমসুং জিওফিজিসিসকী রিসার্চরসশিংনা ফোঙদোরক্লি।

হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা মখা তানা চথরবদি লাক্লিবা কুমজা ২২০০ ফাওবগী মনুংদদি আইসলেন্দদা লৈরিবা গ্লেসিয়রসশিং অসি মপুং ফানা মাঙখিবা য়াবগী অকিবা লৈরে। মরম অসিনা মালেমগী মপাঙ্গল কল্লবা অমদি ইকনমিগী ফীভম ফরিবা লৈবাকশিংনা হীরম অসিগী মতাংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা পায়খৎফম থোকপা থবকশিং পায়খৎপগী মতম ওইরে।

আইসলেন্দ খক্কী ৱাফম নত্তনা মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা গ্লেসিয়রস নৎত্রগা উন মপৈশিং শৌদোকপগী থবক লেপ্পা লৈতনা চথরি। করিগুম্বা মালেমদা লৈরিবা উন মপৈশিং অসিনা মপুং ফানা শৌদোরক্লবদি লৈবাক পুম্বা ঈশিংগী ঈরোলনুংদা লৈখিবা য়াবগী অকিবা লৈ হায়না রিসার্চরসশিংনা ঙল্লিঙৈ মতমদা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

মালেমদা লৈরিবা গ্লেসিয়রসশিংগী শরুকশিংগী মনুংদা চহী খুদিংগী চাংচত্তা বিল্লিয়ন টন ২৬৭ মাঙশিল্লক্লি। হৌখিবা কুমজা ২০১৫ দগী ১৯ ফাওবদা চহীগী ওইনা উন টন বিল্লিয়ন ২৯৮ মাঙখি হায়রি।